# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈখিদ্রবা পুলিস পার্সনেলশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২১ (এজেন্সি): পুলিস কমেমোরেসন দেগা মরী লৈননা নেসনল পুলিস মেমোরিএলদা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈখিদ্রবা পুলিস পার্সনেলশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

কুমজা ১৯৫৯গী ওক্টোবর ২১দা চাইনিজ লান্মীশিংনা লদাখকী হোট স্প্রিংদা চঙশিল্লকপদা মায়োক্লনবা হোৎনবদা থৱায় থাখিবা পুলিস পার্সনেলশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা ওইনা চহী খুদিংগী ওক্টোবর ২১দা পুলিস কমেমোরেসন দেগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকখি। ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মথৌ পাঙথোকপদা লৈবাক্কীদমক থৱায় থাখ্রবা পুলিস পার্সনেলশিংগী মফমদা খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুম্নবা উৎলি। লৈখিদ্রবা পার্সনেলশিংনা তুংদা হৌরক্লিবা মীরোলদা মতম পুম্বগী ওইনা পুক্নিং ইথিল পীদুনা লৈহৌরগনি।

একর ৬.১২ পাক চাওবা মফমদা লৈরিবা পুলিস মেমোরিএলদা ফুট ৩০ ৱাংবা গ্রেনাইটনা শাবা মীতম অমা খিল্লি। মফম অসিদা ম্যুজিয়ম অমা লৈবগা লৈবাক্কীদমক থৱায় থাখ্রবা পুলিস পার্সনেলশিংগী মমিংসু ময়েক শেংনা ইরি। পুলিস কমেমোরেসন দে ২০১৯ লাকপদা মীপুম খুদিংমক নেসনল পুলিস ম্যুজিয়মদা চৎতুনা পুলিস ফোর্সেসকী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎফম থোকই হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

মমাঙ চহীদা প্রাইম মিনিষ্টরনা পুলিস কমেমোরেসন দেগা মরী লৈননা লৈবাক্কী অহানবা নেসনল পুলিস ম্যুজিয়ম অমা ন্যু দিল্লিদা শঙ্গাখিবনি। ইন্টলিজেন্স ব্যুরোনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈবা সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সেস (সি এ পি এফ)কা খুৎশম্নদুনা ম্যুজিয়ম শাবগী প্রোজেক্ট পায়খৎখিবনি।

কুমজা ১৯৫৯গী ওক্টোবর ২১দা লদাখতা মথৌ পাঙথোক্তুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী লান্মী ২০দা চাইনিজ লান্মীশিংনা এটেক চথুরকখি। থৌদোক অদুদা পুলিস পার্সনেল ১০ শীখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা পুলিস পার্সনেল ৭ ফারগা পুখি। কুমজা ১৯৫৯গী নবেম্বর ২৮দা চাইনিজ লান্মীশিংনা থৱায় য়াওদ্রবার পুলিস পার্সনেলশিংগী হকচাং ইনিদয়াদা খুৎশিন্নরকখি। মতম অদুদগী হৌনা ওক্টোবর ২১বু চহী খুদিংগী পুলিস কমেমোরেসন দে হায়না থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা লৈবাক্কীদমক থৱায় থাখিবা পুলিস পার্সনেলশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎতুনা লাক্লি।

# অরুনাচল প্রদেশকী খোনসা ৱেষ্টতা পাঙথোকপা বাই ইলেক্সনদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৮৯ ওইখ্রে

ইটানগর, ওক্টোবর ২১ (এজেন্সি): অরুনাচল প্রদেশকী খোনসা ৱেষ্ট এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিদা পাঙথোকপা মরক্কী মীখলদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৮৯ য়ৌখ্রে।

জোইন্ট চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসার দি জে ভত্তাচার্জিনা হায়খি, অয়ুক অঙনবদা ভোট থাদবগী চাং নেমখ্রবসু নুংথিলদা চাং ৱাংনা ভোট থাদনখি। মীখল অসিদা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অনী - চকত অবো অমসুং অজেট হমটোকনা অকনবা লম্বা পান্নরি। অবোবু লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি য়াওনা মরু ওইবা পোলিটিকেল পার্টি ৫না মীরেপ ওইনা থাগৎলকখিবনি।



অমরোমদা, মধ্যা প্রদেশকী ঝাবুৱা এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিদা পাঙথোকখিবা বাই ইলেক্সনদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৬২ ওইখ্রে। চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসার ভি এল কান্ত রাওনা এজেন্সীদা হায়খি মদুদি নুংথিল পুং ৬ ফাওবগী মনুংদা ভোট থাদবা থোরকখিবা মীওইশিং নুমিদাং মমশিল্লক্লবসু ভোট থাদনবগী খুদোংচাবা ফংহনখি।

মহারাষ্ট্রগী ওইনা এসেমব্লী কন্সটিটুয়েন্সি ২৮৮দা পাঙথোকখিবা মীখলদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৫৪.৫৩ য়ৌখ্রে। মীখল অসিদা কোংগ্রেস অমদি নেস্নেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সি পি)গী এলাইয়েন্সনা বি জে পি অমসুং সিব সেনাগী চুংশিন্নবা লৈঙাকপু মায়থীবা পীনবা হোৎনরি।

মীখল অসিদা ভোট থাদখিবশিংগী মনুংদা আর এস এস কী লুচিংবা মোহন ভগৱত, চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনবিস, এন সি পিগী লুচিংবা সরদ পাৱর, সিব সেনাগী প্রসিদেন্ট উদব থকরে। ক্রিকেট আইকোন সচিন টেন্দুলকর অমদি এম এন এসকী লুচিংবা রাজ থাকরে য়াওখি।

মশাগী চহী ৯৩ শুরবা মীওই অমসু ভোট থাদবা থোরকখি। ষ্টেট অসিদা ভোটর ৮,৯৮,৩৯,৬০০ লৈবগী মনুংদা ভোটর ১,০৬,৭৬,০১৩দি মশাগী চহী ১৮দগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই ঙাক্তনি। ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা হাংদোকপা পোল্লিং বুথ ৯৬,৬৬১দা পোল্লিং পার্সনেল লাখ ৬.৫না মথৌ পাঙথোকখি।

হরিয়ানাগী ওইনা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৯০দা পাঙথোকখিবা মীখলদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৬২ ওইখি। মখল অসিদা নুপী ১০৫ য়াওনা মীংওই ১,১৬৯না মীরেপ ওইনা চোংথোরকখি। মমাঙগী মীখলদদি ভোট থাদবগী চাং চাদা ৬৩.৩৮ ওইখিবনি।

# থা অহুমগী মনুংদা সোসল মিদিয়াগী মতাংদা অনৌবা রুল শেম্লগনি হায়না খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২১ (এজেন্সি): সোসল মিদিয়াদা অরানবা পাউ শন্দোকপা, অতোপ্পা মীওইশিংগী খোইশাওনবা পোকহনবা য়াবা ৱাফম ফাদোকপা অমদি খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈবা থৌরাং লৌখৎপা য়াহন্দনবগী পান্দমদা অনৌবা রুল অমা থা ৩গী নুংদা শেম্লগনি হায়না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টতা পীশিনখিবা এফিদেবিট অমদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা হায়খি, নেসনল সিক্যুরিটি ঙাক শেন্নবগী পান্দমদা সোসল মিদিয়া অমসুং ইন্টর্নেটকা মরী লৈননা অনৌবা রুল অমা শেম্লগনি। মমাঙ থাদা সুপ্রিম কোর্টনা সোসল মিদিয়া কন্ট্রোল তৌনবগী মতাংদা সেন্টরনা করি করম্বা থৌরাং লৌখৎলবগে হায়না হংখ্রবা মতুংদা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

সুপ্রিম কোর্টতা পীশিনখিবা এফিদেবিট অদুনা হায়খি, টেক্নোলোজি চাওখৎলকপনা মরম ওইরগা শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহনবা তারবসু অরানবা পাউ শন্দোকপগী চাংসু তপ্না তপ্না ৱাংখৎলক্লি। লন্নাই মীওইগী রাইট, লৈবাক্কী ইন্টিগ্রিটি, সোবরেন্ট অমসুং সিক্যুরিটি ঙাক্লবগীদমক মতিক চাবা রুল অমা শেম্বগী তঙাইফদবা লৈ হায়না এফিদেবিট অদুনা ফোঙদোকখি।

সেপ্টেম্বর ২৪দা জষ্টিস দিপক গুপ্তনা লুচিংবা জজ অনীগী বেঞ্চনা হায়খি মদুদি চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না কনাগুম্বা মীওই খরনা অরানবা মওংদা টেক্নোলোজি শীজিন্নবগী চাংসু ৱাংখৎলক্লে। শুপ্নগী মিনট ৩০খক্কী মনুংদা ইরাই লাইনা এ কে ৪৭ রাইফল লৈবা ঙম্বগী ফিভমদা লাক্লে।

# বেঙ্ক য়ুনিয়ন ২না ঙসি লৈবাক শীনবা থুংনা খোঙজং চঙশিনগদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২১ (এজেন্সি): য়ুনিয়ন অনীনা হয়েং পুং ২৪ চুপ্পা খোঙজং চঙশিনগদবা মরম্না লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা বেঙ্কিং সার্ভিসতা অকায়বা থোকহল্লবা য়াই হায়না থাজনরি।

ওল ইন্দিয়া বেঙ্ক ইমপ্লোয়িজ এসোসিএসন (এ আই বি ই এ) অমসুং বেঙ্ক ইমপ্লোয়িজ ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (বি ই এফ আই)না লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা খোঙজং চঙশিন্নবা ফিরেপ লৌরকখিবনি। অদুম ওইনমক রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া অমসুং ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াদি খোঙজংদা শরুক য়ারোই হায়রি।

রিজনেল রুরেল বেঙ্কশিং অমদি কো ওপরেটিব বেঙ্কশিংসু খোঙজংদা শরুক য়ারোই হায়না সোর্ছ অমনা ফোঙদোক্লি। সেন্টরনা হন্দক্তা বেঙ্কশিং পুনশিনখিবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা বেঙ্ক য়ুনিয়ন অনীনা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা খোঙজং চঙশিন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। এস বি আই ইপ্লোয়িজ য়ুনিয়নগী এসোসিএসননা মোরেল সপোর্ট পীবা তারবসু হকথেংননা খোঙজং অসিদা শরুক য়ারোই হায়রি।

# ইন্দিয়ানা ঙসি কর্টারপুর কোরিদোরগী মতাংদা পাকিস্তানগা য়ানচে অমা খুৎয়েক পীনগদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২১ (এজেন্সি): কর্টারপুর সাহিব গুরদ্বারাদা সিখ পিলগ্রিমশিং চৎপা য়াহন্নবগী মতাংদা ইন্দিয়ানা হয়েং পাকিস্তানগা য়ানচে অমা খুৎয়েক পীনগদৌরি।

মথং থাদা হাংদোক্কদৌরিবা কর্টারপুর কোরিদোরগী মতাংদা লৈবাক অনীনা য়ান্নচে খুৎয়েক পীননবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। কোরিদোর ফাওগা চৎপদা পাকিস্তাননা দোল্লর ২০ লৌনবগী মতাংদা পুখৎলকপা ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়ের্সনা হায়খি, ফিগী মতাংদা য়েৎনদুনা লাকপা মরম্না নবেম্বর ৯দা অহানবা ওইনা চৎকদৌরিবা সিখ পিলগ্রিমশিং ওন লাইন রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী থবক্তা পন্থদুনা লৈরকখি।

দোল্লর ২০ হায়বসি ইন্দিয়াগী করেন্সিদা পাথোকপা মতমদা লুপা ১,৪০০নি। পাকিস্তাননা করিগুম্বা মীওই অমমদগী লুপা ১,৪০০ লৌবা তারবদি থা খুদিংগী লুপা ক্রোর ২১ হেন্না খোমগৎপা ঙম্লগনি হায়না থাজনরি। মমাঙ থাদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তাননা কিলোমিটর ৪ শাংবা কর্টারপুর কোরিদোর ফাওরগা গুরদ্বারা দরবার সাহিব তান্না চৎপা



ইন্দিয়াগী পিলগ্রিমশিং ভিসা লৌহন্দনবগী ৱাফম য়ান্নবা পুরকখি। পিলগ্রিমশিংনা সিখ লাইনিং চৎপা মীওইশিংগী শেংলবা লাইফম তান্না চৎপদা শুপ্নগী পাসপোর্ট পায়রগা য়ারগনি। নুমিৎ খুদিংগী পিলগ্রিম ৫,০০০ চৎহনবগী তাংদসু য়ুমলোন্নবা লৈবাক অনীনা য়ান্নবা পুরকখি। অদুম ওইনমক কর্টারপুর কোরিদোর ফাওবগীদমক মীওই অমমদগী লুপা ১,৪০০ লৌবগী মতাংদা পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দর সিংহ অমদি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর হরসিমরত কোর বাদল য়াওনা মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংবা ফোঙদোক্লরকখি।

# কোর্টনা চিদম্বরম অমসুং অতৈ মীওইশিং কৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২১ (এজেন্সি): দিল্লিগী কোর্ট অমনা আই এন এক্স মিদিয়া কেসকী মতাংদা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর চিদম্বরম, মচানুপা কার্তি চিদম্বরম, আই এন এক্স মিদিয়াগী দিরেক্টর ওইরম্বা পিটর মুখর্জিয়া অমদি অতৈ মীওই পুম্নমক কৌখ্রে।

সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই)না কেস অসিগী চার্জসিট ফাইল তৌরকখ্রবা মতুংদা কোর্টনা সমোন ইশু তৌদুনা কেস অসিদা চেন্নবা মীওই পুম্নমক ওক্টোবর ২৪দা লাক্লবা খঙহনখিবনি।

সি বি আইনা হন্দক্তা কেস অসিদা চেন্নবা মীওই ১৪গী মথক্তা চার্জসিট ফাইল তৌখি। হায়রিবা মীওইশিং অদুদি পি চিদম্বরম, কার্তি, মহাক্কী একাউন্টেন্ট এস ভাসকরন, আই এন এক্স ন্যুজ, আই এন এক্স মিদিয়া, চেছ মেনেজমেন্ট সার্ভিস প্রাইভেট লিমিটেদ, এদভান্টেজ ষ্ট্রেটিজিক কন্সলটিং প্রাইভেট লিমিটেদ, আই এন এক্স মিদিয়াগী দিরেক্টর ওইরম্বা পিটর মুখর্জিয়া অমদি ব্যুরোক্রেত খরনি। ব্যুরোক্রেতশিংগী মনুংদা হান্নগী সেক্সন ওফিসার অজিৎ কুমার দংদং, হান্নগী অন্দর সেক্রেটরী রবিন্দ্র প্রসাদ, ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী অন্দর সেক্রেটরী প্রবোধ সক্সেনা অমসুং হান্নগী জোইন্ট সেক্রেটরী অনুপ কে পুজারি য়াওরি। সি বি আইনা ফাইল তৌরকখিবা চাজসিটতা কার্তি চিদরম্বমর ব্যুরোক্রেত ওফিসারশিংদা ইথিল পীরগা আই এন এক্স মিদিয়াগী কান্ননবা থৌরাং কয়া লৌখৎখি হায়না মরাল শীখি।


**BEFORE THE OATH COMMISSIONER, MANIPUR**
**AFFIDAVIT**

**I, Mrs Sharda Devi Kharel,** aged about 38 years, **W/o Narayan Kharel** of **Charhajare Village, P.O Motbung & P.S. Sapermeina, Senapati District,** Manipur do hereby Solemnly affirm on Oath and state as under.

1. That, I am a bonafide law abiding citizen of India.
2. That, earlier through bonafide mistake my name has been recorded as **Sarda Kharel** in some of my other officials documents instead of **Sharda Devi Kharel.** This is true to my Knowledge.
3. That, by virtue of Affidavit, I change my name from **Sarda Kharel** to **Sharda Devi Kharel** and hereforth I shall be known as **Sharda Devi Kharel** for all purposes. This is true to my knowledge.

Verified on this 10th day of October, 2019, that the contents of this affidavit are all true and correct to the best of my knowledge and nothing has been concealed therein.

*By : Advocate* — *Deponent* **Sharda Devi Kharel**

HL-P/3889/22



**/ কবিরাজ ওজা অবদুল হকপু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচবা ফোঙদোকচরি**

ঐ পাইলসকী প্রোব্লেমনা মরম ওইদুনা অৱাবা কয়া খাঙদুনা লাকখি। লায়ওংশিংদি - খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, শৌজদা চাথৎপগা লোয়ননা শাবা অমদি থুপ্পা, শৌজদা ব্রি-ব্রি চৎপা, হাকৎচবা, চক-চক থিনবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা শৌজ তারকপা, খূৎনা ইনখৎত্রি ফাওবা চংদবা, শৌজগী অকোয়বদা পোমথোরকপা, শোকপদা নাবা, খ্বাং নাবা অসিনচিংবনি। অদুবু কবিরাজ ওজা Abdul Hak, Contact No. 8014623756, 8794429681গী হীদাক চাজবদগী ঐঙোন্দা নারম্বা পাইলস মপূং ফানা ফজরে। অৱাবা নুংঙাইতবা অমত্তা লৈতরে। মরম অসিনা ওজা অবদুল হকপু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**

1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30 p.m.)
2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.) (10am-4pm)

HL-P/4305/22 *থাগৎচরিবা :* **Kh. Modhu,** Bamdiar Ahallup



Government of Manipur
Directorate of Handlooms & Textiles

MANITEX
Manipur International Textile Expo
November 5-14, 2019, Imphal, Manipur

**MANITEX FASHION WEEK**

Imphal, the 19th October, 2019

**No. HL-130/H&T/2019 :** Application in form online registration are invited from interested Fashion Designers and Fashion Institutions for participation in MANITEX Fashion Week 2019 Edition from 6th to 13th November, 2019 on payment of Rs. 20,000/- per slot during MANITEX 2019 Edition at Lamboi Khongnangkhong, Imphal.

2.0: Last date for online registration is 31/10/2019. Please visit www.manitex.in for Online Registration and can reached by manitex543@gmail.com.

**Sd/- Director of Handlooms & Textiles, Manipur**

HL-B/5759/22



MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL
NOTICE

Dated, the 21st October, 2019

No.MU/XI/8/07/Admn.I: 996 The Manipur University would be displaying on its website the list of candidates screened for various faculty and non-faculty positions. All those persons/candidates who have any grievance against the screening may submit their grievance to the University Recruitment Screening Grievances Redressal Cell (URSGRC) along with the supporting documents through the email-ID URSGRC2019@manipuruniv.ac.in.

Any complain/grievance should be submitted at least 5 (five) days before the date of interview/written test.

Sd/- T. Shantikumar Singh
Deputy Registrar (Admn.)

HL-B/5758/22



**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF YOUTH AFFAIRS & SPORTS**
**KHUMAN LAMPAK, IMPHAL**

NO.10/16/2019-YAS — Date: 18/10/2019

**NOTICE INVITING TENDER**

Sealed tender(two bid system) is invited by Directorate of Youth Affairs & Sports, Khuman Lampak, Imphal from reputed manufacturers or authorized distributors/suppliers for supply of sports equipments & kits for ARCHERY, ATHELETIC, BOXING, BADMINTON, BASKETBALL, FOOTBALL,GOAL NET, VOLLEY BALL, VOLLEY NET , SEPAK TAKRAW, TABLE TENNIS, TAEKWONDO, SWIMMING, etc. with minimum annual turnover of Rs. 50.00 lakhs (Rupees Fifty Lakhs) during the last three preceding years for Sports Equipment (including exports) duly certified by CA and preferably having minimum three years of experience in supplying sports goods and equipments to the Govt. Department or PSU for award of contract for supply of sports equipment to the Directorate of Youth Affairs & Sports, Khuman Lampak, Imphal. The interested/intending parties may submit their competitive rates inclusive of all taxes like Taxes and Freight Charges etc: to the Directorate of Youth Affairs & Sports, Govt of Manipur, Khuman Lampak, Imphal and other relevant documents/ information in the prescribed Tender Form.

| | | |
|---|---|---|
| 1. | Tender Cost ( Demand Draft) | Rs. 500/- |
| 2. | Last Date of Sale of Tender Documents | 2/11/2019 |
| 3. | Last Date of Submission of Tender Documents | 8/11/2019 |
| 4. | • Date of opening of Tender Documents | 12/11/2019 |
| 5. | Total estimated value of Sports Equipments and kits. | Rs.18,60,000/- |
| 6. | EMD/ Bid security money through Demand Draft in favour of Director, Youth Affairs & Sports, Govt of Manipur. | Rs. 7500/- |
| | Website | www.yasmanipur.gov.in |

The tender documents may be obtained from the office of the Directorate of Youth Affairs & Sports, Khuman Lampak Imphal - 795010. Tender document during the Office hour on working day are also available on Department website which can be downloaded.

- Tender bids will be open on 12/11/2019 at 1.00 p.m at the office of the Director, Directorate of Youth Affairs and Sports, Khuman Lampak, Imphal.

Sd/- Director,
Youth Affairs & Sports
Khuman Lampak, Imphal, Manipur.

HL-B/5760/22



**WALLET LOST**

I have lost my wallet containing Aadhaar Card, PAN Card, Driving Licence, MRB ATM, UBI ATM of wife Urmi, Voter ID, Manipur Rural Bank Service I Card, ICICI Bank ATM, Brother Mohen PNB ATM, Cash Amount of Rs. 3000/- and Smart Card bearing registration number MN 01 AH2633 issued by DTO I/W on 12-10-2019 at Mohammadpur Shiv Mandir near Bhikaji Cama Place.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Elangbam Thomas**
Lamphel Sana Keithel

HL-P/2890/22



GOVERNMENT OF MANIPUR
SECRETARIAT: GENERAL ADMINISTRATION DEPARTMENT

QUOTATION

Imphal, the 21st October, 2019

32/44/2013-GAD: Sealed rate quotation are invited from the registered and reputed firms located at Imphal Area for supply of the following Liveries items for use of Drivers and Grade IV employees of Manipur Secretariat under the following term and conditions:-

I. Earnest money amount as indicated below should accompany the tender.
   (i) The earnest money is Rs.50,000/-(Rupees fifty thousand) only for the Supply of Liveries.
   (ii) The earnest money is Rs.40,000/-(Rupees forty thousand) only for Stitching of Liveries.
   (iii) The earnest money is Rs.30,000/-(Rupees thirty thousand) only for Leather shoes and nylon socks.

II. Indenting supplier must be an Authorised Dealer of a reputed manufacturer.

III. Indenting dealers/manufacturers must have service and support facility in Manipur.

IV. The bidders for stitching of Safari Suit/Shirt/Pant should have past experience of supply to government departments/agencies or some other major supply, for e.g School uniforms. GAD may send a Technical Evaluation Team to inspect the premises of the bidder to assess the technical capacity of the bidder.

V. Indenting dealers must be registered with the Taxation Department, Government of Manipur. Dealers must submit copy of GST(Goods and Service Tax) Certificate Number along with Income Tax Return filed during the last 3(three) years.

VI. The earnest money should be in the form of D-AT-CALL drawn in favour of the Under Secretary (GAD), Government of Manipur from the Schedule bank of India.

VII. A copy of the Sales Tax Registration Certificate and Dealership Certificate from the Manufacturer or a copy of the Industrial Licence and Shop Licence from Municipality should invariable be enclosed with the Tender.

VIII. Tender without earnest money and other required documents as mentioned above will not be entertained. Further, the firms/industries under the Small Scale Industry Act should also deposit their Earnest Money.

IX. The Tender Form can be had from the undersigned on request on cash payment of Rs.500/- (Rupees five hundred) only (Non-refundable) per form. Firms having the quotation papers will be allowed to join the opening of Tender and the rate of the articles should be quoted both in figures and words.

X. The rate quotation should be dropped in a sealed box kept in the office of the undersigned up-to 4th November, 2019 and the same will be opened by the Tender Committee on a later date.

XI. The competent authority is not, however bound to accept the lower rate and reserve the right to reject any or all the quotations without assigning any reason thereof.

XII. The samples/brands of all the Liveries items and quality can be seen from the GAD (Store) Section on any working day upto 4th November, 2019.

Sd/- Sunanda Thokchom
Under Secretary (GAD),
Government of Manipur.

HL-B/5757/22.23